# নরেন্দ্র মোদিনা বারানসিদা লুপা ক্রোর ৫৫০ হেনবগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলগনি লাওথোকখ্রে



**বারানসি, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** মমাঙগী গভর্ণমেন্টশিংগী মতমদা মদুগী মপু অদুগী থৌজাল মখাদা লৈরম্বা, হৌজিক মহাক্কী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরবা বারানসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লুপা ক্রোর ৫৫০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং হৌদোকখ্রে অমসুং হৌজিক্তি সিটি অসিগী ফিভম হৌখিবা চহী ৪ দগী হৌনা অনৌবা, অফবা শক্লোনদা হোংলকখ্রে হায়খি।

হৌদোকখ্রিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা পুরানি কাসিগীদমক ইন্টিগ্রেটেদ পৱার দিভলপমেন্ট স্কিম (আই পি দি এস) অমসুং বানারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিদা অতল ইক্যুবেসন সেন্টর য়াওরি। ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা বানারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিদা রিজনেল ওপথানমোলোজি সেন্টর য়াওরি।

সিটি অসিদা লাকপা মহাক্কী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ লোইশিল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সিটি অসিদা পায়খৎখিবা থবক অসি য়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলবশিংনি হায়খি।

সিটি অসিদা শেমগদবা রিং রোদ অদুগা মরী লৈনবা ফাইল অদু ২০১৪ গী মমাঙদগী উফুল থাংদুনা লৈরকখ্রে। মসিনি মমাঙগী গভর্ণমেন্ট অদুনা তৌরম্লিবসি। অদুবু যোগি অদিত্যনাথনা ষ্টেট অসি পায়রবা মতূং খক্তদা থবক অদু য়াংনা খুমাং চাওশিনখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথতা নত্তনা থৌরম অদুদা য়ু পি বি জে পি চীফ মহেন্দ্র নাথ পান্দেসু শরুক য়াখি।

মহাক্না মিনিট ৪০ রোম শাংনা ৱা ঙাংখিবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ৫৫০ গী প্রোজেক্টশিং মীয়ামদা কখোকখ্রে নৎত্রগা ঙসি ফাউন্দেসন ষ্টোনশিং য়ুংখ্রে হায়খি।

পায়খৎলিবা দিভলপমেন্ট ৱার্ক অসিনা বারানসি খক্তা নত্তনা মসিগা থংনবদা লৈরিবা লমদমশিংসু কোনশিল্লিবনি হায়খি।

তিল্লিবা মীয়ামগী থম্মোয়দা ঈহুল অমা পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংবা অদু মফমদুগী ঙাংনরিবা লোনদা ঙাংবা হৌখি অমসুং বানারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিগী এমফিথিয়েটরদা তিল্লিবা মীয়ামদগী ৱা-ৱা লাওনা থাগৎনরকপা মরক্তা মহাক্না 'হর, হর, মহাদেব' হায়বা লাইশোন শোনখি।

ঙরাং মহাক্কী খোঙচৎকী অহানবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মাগী ৬৮ শুবা মপোক নুমিৎ অদু মহাক্কী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা লেনখি। মদুদা মহাক্না স্কুল অঙাংশিংগা ৱারী শান্নরদুনা ৱাহংশিং হংদুনা কৈদৌঙেদা অকিবা অমত্তা লৈতনবা পাওতাক পীখি। ৱাহং হংবা হায়বসি তমশিনবগী মরু ওইবা মচাক অমনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লাইশঙগী শহর অসিগী মপানদা লৈবা নরুরদা প্রাইমারি স্কুল অমগী মহৈরোইশিংদা মহাক্না ৱারী শান্নখি অমসং মদুগী মতূংদা কাসি বিদ্যাপিথকী মহৈরোইশিংগা উন্নখি।

# ইন্দিয়ানা রোহিংয়াশিংগীদমক তেংবাঙ থাখ্রে, বাংলাদেশনা রিফ্যুজিশিং অদু ঈথৎ অমদা হোংদোক্লগনি



**ধকা, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** ইন্দিয়ানা রোহিংয়া মুস্লিম রিফ্যুজিশিংগীদমক তেংবাঙ ওইনা বাংলাদেশতা ঙরাং কেরোশিন লীটর মিল্লিয়ন ১ হেন্না অমসুং ষ্টোব ২০,০০০ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং থাখ্রে। রোহিংয়া মুস্লিমশিং অদু বাংলাদেশতা মখোয়গীদমক মতম খরগী শেমগৎপা কেম্পশিংদা লৈরি।

ঙরাং থাখিবা তেংবাঙগী পোৎলমশিং অসি ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকী সৈখ হসিনা গভর্ণমেন্টনা রিফ্যুজি লীশিং চা কয়াগী মথৌ তাবশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙখিবগী ৩শুবা তাঙ্কক্লি।

রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী লালহৌলূপশিংনা ম্যান্মার মিলিটরিদা এটেক তৌরকখিবগী লমন খুম্বা ওইনা মিলিটরিনা অকনবা ওপরেসন চত্থরকখিবদগী হৌখিবা চহীগী আগষ্টতগী ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতগী রোহিংয়া ৭,০০,০০০ হেন্না থংনবা বাংলাদেশতা চেনশিল্লকখিবনি।

বাংলাদেশতা ইন্দয়াগী হায় কম্মিস্নার ওইরিবা হর্শ বর্ধন শ্রিংগ্লানা বাংলাদেশকী কোক্স'স বজারদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ রিলিফ মিনিষ্টর হুসেন চৌধুরিদা সুপর কেরোশিন ওইল লিটর মিল্লিয়ন ১.১ অমসুং কেরোশিন মন্টি ৱিক ষ্টোব ২০,০০০ খূৎশিন্নখি।

তেংবাঙগী পোৎলমশিং অদু কোক্স'স বজারগী কুতুপালোং কেম্পতা লৈবা রিফ্যুজিশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা এক্সতর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী বিক্রম দোরাইস্বামি, জোইন্ট সেক্রেটরী (বাংলাদেশ-ম্যান্মার) সু য়াওখি।

মরকসিদা রোহিংয়া রিফ্যুজি লাক্ষ ১ রোমবু ঈশিং-নুংশিৎকী শাথিবা ফিভম লৈবা অমনি হায়না ৱার্নিং ফনা তৌরবসু মনুং হুনজিনবা ঈথৎ অমদা হোংদোক্লবা বাংলাদেশনা থবক লৌখৎখ্রে। মখোয়বু মথং থাদা ঈথৎ অদুদা হোংদোকপা হৌরগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০০৬ তা বে ওফ বেঙ্গল সমুদ্রগী ঈশিং মনুংদগী ফাওগৎলকখিবদা ঙাইরিবা লৈখোম-লৈনাংগী ওইবা ঈথৎ মচা ভসান চারগী মথক্তা রিফ্যুজিশিং অদুগীদমক নৌনা শাখিবা কেম্পশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনানা ওক্টোবর ৩ দা ওফিসিয়েল ওইনা হাংদোক্কবা মতম লেপখ্রবনি।

বাংলাদেশ নেভিনা রিফ্যুজিশিংগী সেল্টরশিং শাবগী থবক অদু অতন্নবা অখন্নবা থবক ওইনা পায়খৎখি অমসুং প্রোজেক্ট অদুগী শরুক ৪ থোকপগী ৩ লোম হৌজিক মপূং ফানা লোইশিনখ্রে হায়না সেনিয়ার দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# থা ৮ দা মালেম কোয়না হি হোনখিবা আই এন এস ভি তারিনি নুপী ঙাক্তগী ক্রুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা তেঞ্জিং নোর্গে এৱার্দ ফংখ্রে



**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** ইন্দিয়ান নেভিগী ২শুবা সেলবোট-আই এন এস ভি তারিনিগী নুপী ঙাক্তগী ক্রুনা থা ৮ গী মনুংদা মালেমগী অকোয়বদা হি হোনখিবা অমসুং মদুদা মখোয়গী খাঙবা কল্লবা হৈ-শিংবশিংগা লোয়ননা ঈশিংদা থেংনখিবা তম্বা-ঙমদবা খুদোংথিবশিং মায়থিবা পীখিবগীদমক লেমজনিংঙাই ওইরবা তেঞ্জিং নোর্গে নেস্নেল এদভেঞ্চর এৱার্দ অদু ফংখ্রে।

লৈকংলম, সমুদ্র অমসুং নোংথক্তা এদভেঞ্চরগী হীরমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিং পাঙতোকপগীদমক এৱার্দ অসি খ্বাইদগী ৱাংবা নেস্নেল রিকোগনিসননি। হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌখিবা নবিকা সাগর পরিক্রমা প্রোজেক্টকী মখাদা মিসন অমগী শরুক অমা ওইনা নেভিগী নুপী ওফিসারশিং অদুনা সমুদ্রদা নুমিৎ ১৯৪ লেনলকখিবনি।

নুপী ক্রু মেম্বরশিং অদু লৈবাকসিগী ৭২ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমদসু নাও সেনা মেদল পীদুনা ইকায়খুন্নখি।

থা ৮ চঙনা মালেমগী অকোয়বদা মায় পাক্না হি হোল্লকখ্রবগী মতূংদা টিম অসিনা মে ২১ দা গোৱাগী পনাজিদা থুংলখি। মখোয়না মপূং ফানা মালেম কোয়না হি হোনবদা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা ইহান হানবা নুপী ঙাক্তগী ক্রু ওইবগী রেকোর্দ অমসু থমখি।

মখোয়গী এক্সপেদিসন অসি তাঙ্কক ৫ থোক্লা পাঙথোকখি। অষ্ট্রেলিয়াগী ফ্রেমেন্টল, ন্যু জিলেন্দগী লিতেলতন, ফোল্কলেন্দসকী পোর্ট ষ্টেনলি অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী কেপ তাউন হায়রিবা হিথাংফম ৪ দা মতম খরা-খরা লেপ্লকখি। লেপ্টিনেল কম্মান্দর বর্টিকা জোসিনা লুচিংবা আই এন এস ভি তারিনি টিম অসি লেপ্টিনেন্ট পি স্বাথি, লেপ্টিনেন্ট প্রতিভা জমৱাল (এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোল স্পিসিয়েলিষ্টশিং), লেপ্টিনেন্ট বিজয়া দেবী, সব-লেপ্টিনেন্ট পয়াল গুপ্তা (অনীমক এদুকেসন ওফিসারশিংনি) অমসুং নেভেল আর্কিটেক্ট লেপ্টিনেন্ট বি আশ্বর্য্যনা শাবনি।

# চহী ৫ গী মনুংদা ইন্দিয়াদা অঙাং শিবগী মশীং খ্বাইদগী নেমখি, মসি ওইদুনসু মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি ঃ য়ু এন



**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টর-এজেন্সি গ্রুপ ফোর চাইল্দ মোর্টেলিটি এষ্টিমেসন (য়ু এন আই জি এম ই) না পীবা রিপোর্ট অদুগী মতূং ইন্না ৱাতর, সেনিতেসন, প্রোপর ন্যুট্রিসন নৎত্রগা বেসিক হেল্থ সার্ভিসেস পীবা ৱাৎপা মরমদগী ইন্দিয়াদা চাংচৎতা মিনিৎ ২ খুদিংগী অঙাং ৩ শি হায়রি।

কুমজা ২০১৭ দা ইন্দিয়াদা অঙাং ৮,০২,০০০ রোম শিবগী রিপোর্ট তৌরকখি। মদু চহী ৫ গী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বনি অদুবু মসি ওইদুনসু মালেমদা অঙাং শিবগী মশীং খ্বাইদগী ৱাংবা ওইদুনা লৈরি, পাকিস্তাননা মসিগী হেক মথংদা লৈরি, লৈবাক অসিদা অঙাং ৩,৩০,০০০ শিখি।

অদুম ওইনমক ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনদা চীফ ওফ হেল্থ ওইরিবা ডা. গগন গুপ্তনা ইন্দিয়ানা গভর্ণমেন্টকী থৌরাং কয়ামরুমগী খুথাংদা অঙাং শিবগী থৌদোক থেংনবদা ফজনা খুমাঙ চাওশিল্লকখ্রে হায়খি।

ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী অঙাং মিল্লিয়ন ২৫ পোকপগী রেট অমা লৈ অমসুং অঙাং শিবগী মশীং হন্থরকখ্রে। ২০১৭ দা অঙাং ৮,০২,০০০ শিবা অসিনা চহী ৫ গী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা ওইরি। অদুগা মসি চহী ৫ মখাগী অঙাং শিবগী মশীংগা পোকপগী মশীংগা চপ মান্নবা অহানবসু ওইরি। মথংগী খোঙথাং অদু শিবগী মশীং হন্থহনবদা ওইরগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মালেমগী ওইনা পোকপা অঙাংগী মশীংগী চাদা ১৮ লোমদি ইন্দিয়াদগীনি। অঙাংশিং শিবগী মরু ওইবা মরমশিংদি থক্লবা অফবা ঈশিং, লু-নানবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক নৎত্রগা তঙাই-ফদবা হকশেলগী থবকশিং ফংবা ৱাৎপনা ওইরি হায়না মিষ্টর গুপ্তনা হায়খি।

মালেমগী মনুংদা অঙাং শিবগী খ্বাইদগী ৱাংবসি ইন্দিয়ানা ওইরি, মথংদা পাকিস্টান- ৩,৩০,০০০ অমসুং দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো (দিআরসি)-২,৩৩,০০০ নি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

য়ুনিসেফ, হু, য়ু এন পোপুলেসন দিভিজন অমসুং ৱার্ল্ড বেঙ্ক গ্রুপনা থাদোরকখিবা অনৌবা মোর্টেলিটি এষ্টিমেটসকী মতূং ইন্না কুমজা ২০১৭ দা চহী ১৫ মখাগী অঙাং মিল্লিয়ন ৬.৩ রোম নৎত্রগা সেকেন্দ ৫ খুদিংগী অঙাং ১, অয়াম্বনা মাঙজৌননা থিংহৌবা ঙম্বা মরমশিংদগী শিখি হায়রি।

## বিহারদা প্রসাদি ফংখিবা অঙাং ১০০ হেন্না নাখ্রে

**বেগুসরাই, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** বিহারগী বেগুসরাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পাথাই খুলদা বিস্বকর্ম পুজাগী থৌরম অমদা প্রসাদি ফংখিবা অঙাং ১০০ হেন্না নাখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১২ গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিং অদুনা ঙরাং নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরমদা বিস্বকর্ম পুজাগী প্রসাদি ফংখিবগী মতূংদা ওনিংবা ফাওবগী অমসুং হুমাঙ অনপ্পী কাঙবগী ৱাকৎলকখি।


অঙাংশিং অদুনা অদুম্না ৱাকৎলকখিবদগী মখোয়না খোদাবন্দপুর প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অমসুং রোস্রা অমসুং হাসনপুরদা লৈবা অতৈ প্রাইভেট ক্লিনিকশিং অমসুং নর্সিং হোমশিংদা পুদুনা লায়কন্নখি। অদুবু হৌজিক অঙাংশিং অদু লোইনমক খুদোংথিবা থোক্লিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

## বিহারদা মাওইষ্টশিংনা লাম্মী ১ য়ূমদগী চিংথোক্লগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

**জামুই, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** বিহারগী জামুই দিষ্ট্রিক্টকী পান্দেথিকাদা সাশস্ত্র সীমা বল (এস এস বি) পার্সোনেল অমবু মাওইষ্টশিংনা মহাক মশাগী ময়ূমদগী চিংথোক্লগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী মচানুপীগী মপোক নুমিৎ পাঙথোক্লবা মাগী খুঙ্গং অদুদা লাকখিবা মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবা এস এস বি পার্সোনেল সিকন্দর যাদবপু ঙরাং হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা লালহৌবশিং অদুনা মাবু মাগী ময়ূমদগী চিংথোক্তুনা পুখি। মাওইষ্টস ২৫ রোম যাদবপু হাৎননবা খুল অদুদা লাকখিবনি অমসুং মখোয়গী থবক অদু পাঙথোক্লবা তুংদা অনকপা জঙ্গলদা চেনশিনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

## লুঃ ক্রোর ৯,১০০ গী মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা ফংলে




মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট লৈবদা য়াওদৌরিবা আকাশ মিসাইল সিষ্টেমসকী রেজিমেন্ট ২

**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ৯.১০০ গী মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট অমসুং ৱিপনশিং লৈনবগী মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা অদু পীরকখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈগদৌরিবশিং অদুগী মনুংদা আকাশ মিসাইল সিষ্টেমসকী রিজিমেন্ট ২ য়াওরি হায়না মখোয়না মখা তাখি।

মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট অমসুং খূৎশু-খূৎলাইশিং লৈননবগী হৌদোক্লকখিবা ৱাফমশিং অদু প্রোক্যুরমেন্টকী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱারেপ লৌনবগী বোদি ওইরিবা দিফেন্স এক্কিজিসন কাউন্সিল (দি এ সি) না অয়াবা পীখিবনি। দিফেন্স এক্কিজিসন কাউন্সিল অদুনা টি-৯০ টেঙ্কশিংগীদমক গাইদেদ ৱিপন্স সিষ্টেমসকী টেষ্ট ইক্বিপমেন্টকী দিজাইন অমসুং দিভলপমেন্টকীসু অয়াবা পীখি হায়রি।

# স্পেস ফোর্স শেমগৎপদা চহী ৫ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ১৩ চঙগনি ঃ য়ু এস এয়ার ফোর্স



**ৱাসিংতন, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা হৌদোক্লিবা তোঙানবা মিলিটরি সার্ভিস অমা ওইনা স্পেস ফোর্স অমা শেমগৎপদা মসিগী অহানবা চহী ৫ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ১২.৯ রোম চঙগনি হায়না য়ু এস এয়ার ফোর্সনা হায়রি।

স্পেস ফোর্সকী চঙগদবা মমলগী মতাংদা মসিনা মীয়াম্না ফংবা অহানবা ৱারোলনি।

হ্বাইট হাউসনা স্পেস ফোর্স অমা লীংখৎনবগী প্লানশিং আগষ্ট থাদা লাওথোকখিবদা দিপ্যুটি দিফেন্স সেক্রেটরী পেট্রিক শানহাননা চাওরাকপা শেনফম অমা পীয়ু য়াখিদে অদুবু মদু বিল্লিয়নশিংদা ওইগনি হায়খি।

য়ু এস এয়ার ফোর্সনা স্পেস ফোর্স লীংখৎপদা চঙগনি হায়না পারিবা শেনফম অসি এয়ার ফোর্স সেক্রেটরী হিথর ৱিলসনদগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৪ গী মেমো অমদা য়াওবনি। ২০২০ ফাওবগী মনুংদা স্পেস ফোর্স হেদক্বার্টরস অমা লীংখৎনবা ওথোরিটি অমসুং মনি অদুগীদমক কংগ্রেসতা তকশিন্নবা পেন্টাগোনদা ৱিলসননা প্রপোজ তৌখিবনি।

এয়ার ফোর্স সেক্রেটরী হিথর ৱিলসনগী মেমো অদুনা হায়, স্পেস ফোর্স অমগী অহানবা চহীগী অচঙমন দোল্লর বিল্লিয়ন ৩.৩ ওইগনি অমসুং চহী ৫ হেনবগী অচঙমন অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ১২.৯ রোম ওইগনি।

অনৌবা মিলিটরি সার্ভিস অমা শেম্বগী য়াম্না হেন্না অকূপ্পশিং লৈ হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমদা লীংখৎনবা প্রপোজ তৌরিবা স্পেস ফোর্স অদু প্রসিদেন্টনা হাপ্পা অমসুং সিনেটনা কনফার্ম অদুদা সিবিলিয়ান সেক্রেটরী অমগী মখাদা ওর্গনাইজ তৌবা তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইগদবনি। মদুদা অন্দর সেক্রেটরী ১, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ৪, চীফ লোয়ার ১, ইন্সপেক্তর জেনরেল ১ অমসুং লেজিসলেটিভ লাইজন ১ লৈগনি। ষ্টার ৪ গী জেনরেল অমনা চীফ ওফ ষ্টাফ ওইনা থবক পুগনি হায়না এয়ার ফোর্সনা হায়রি।

## প্লেন কাপথখিবগী রসিয়ানা ইজরেলগী এম্বেসেদর কৌখৎখ্রে

**মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** সিরিয়া মনাক্তা রসিয়াগী সার্ভিসমেন ১৪ তোংখিবা মিলিটরি প্লেন ১ কাপথখিবগী মতাংদা রসিয়াগী ফোরেন এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা মোস্কোদা লৈবা ইজরেলগী এম্বেসেদরবু কৌখৎখ্রে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ান আইএল-২০ মিলিটরি জেট অদু সিবিলিয়ান এন্টি-এয়ারক্রাফ্ট সিষ্টেমসনা কাপথখিবনি। অদুবু মোস্কোনা ফোঙদোকপদা হায়রিবা চপ মান্নবা মফম অদুদা ইজরেলগী ইরান ফোর্স জেটশিংনা পাইশিল্লকখিবা অদুনা রসিয়াগী প্লেন অদুবু লাইন ওফ ফাইয়ার মনুংদা লৈহনখিবনি হায়খি।

ইজরেল গভর্ণমেন্টকী নাকলদগী ৱাফম অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোক্লক্ত্রি।

সিরিয়া সমুদ্র তোর্বান্দগী কিমিঃ ৩০ লাপ্পা মেদিতরেরিয়ান সি মথক্তা রসিয়াগী প্লেন অদুনা হমৈমিম এয়ারবেজদা হল্লকপগী লম্বীদা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি হায়না রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি অঙনবদা ফোঙদোকখি। মদুদা তোংখিবা মিলিটরি পার্সোনেল অদুগী মরাইবক করি থোক্লবগে খঙবা ঙমদনা লৈরি। প্লেন অদু থিবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়না রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়ান ন্যুজ এজেন্সিশিংনা হায়খি।

সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী অকনবা মফম অমা ওইরিবা লতাকিয়া প্রোভিন্সতা ইজরেলগী এফ-১৬ জেট ৪ না এটেক চত্থবা মতম অদুদা ঙরাং নিংথৌকাবগী নুমিদাং পূং ১১ রোম তাবদা রসিয়ান মিলিটরি জেট অদু রাদরদগী মাঙখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়খি। অদুবু ৱাফম অসিগী মতাংদসু সিরিয়া গভর্ণমেন্টতগী খুদক্তা ৱা অমত্তা ফোঙদোক্লক্ত্রি।

## চেকপোইন্ট অমদা আফগান পুলিসমেন ১ না য়ামদ্রবদা লোকেল আফগান পুলিস ফোর্সকী ৯ হাৎখ্রে

**কাবুল, সেপ্টেম্বর ১৮ ঃ** আফগনিষ্টানদা খ্বাইদগী নৌবা ইন্সাইদর এটেক হায়বা অমদা অৱাং থংবা বালখ প্রোভিন্সগী চেকপোইন্ট অমদা অতোপ্পা মুস্লিম অমনা মখোয় তম্না নোংমৈ কাপশিনবদা লোকেল আফগান পুলিস ফোর্স অমগী য়ামদ্রবদা মেম্বর ৯ হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নিংথৌকাবগী অথেংবদা চার বোলাক দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুদা পুলিসমেন ১ শোকখি অমসুং অতোপ্পা ৩ থিবা খঙদ্রি হায়না মোহমদউদিন খানজের কৌবা পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

মহাক্কী মতূং ইন্না পুলিসমেন ৯ হাৎখিবা মীওই অদু দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদা লৈবা অতোপ্পা চেকপোইন্ট অমদগী পুলিসমেন অমনি। মহাক চেকপোইন্ট অদুদগী খূৎলাই পূন্নমক পুরগা তালিবানদা য়াওনবগী ওইরম্বা য়াবা মওংদা মফম অদুদগী চেনখ্রে।

অদুবু থৌদোক অদুগী মতাংদা তালিবাননা খুদক্তা করিগুম্বা মোত অমত্তা ফোঙদোক্লককপা লৈত্রি।

কাবুলদা লৈবাক অসিগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি-নেস্নেল দাইরেক্তোরেট ওফ সেক্যুরিটিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মীওইশিং ওইরমগনি চিংনবা ২৬ ওফিসারশিংনা ফারে হায়খি। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা সিয়া মুস্লিমশিংগী মরু ওইবা হোলিদে অমা ওইরিবা চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অশুরা থৌরম মনুংদা সিয়া মুস্লিমশিংদা এটেক তৌনবা থৌরাং তৌখিবনি হায়রি।

---

লেন্না Horoscope য়েংজরি

হৌখিবা চহী কয়াদগী চত্থরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা সেপ্টেম্বর ১ দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিংদা কৎচবা ওইনা Dinamani Astrological Centre না হৌদোকখিবগী ২৩ রক শুবা কুমওনগী থৌরম ওইনা মফম অসিদা Horoscope অমুক্তা য়েংখিদ্রিবশিংগী হীরম অমা লেন্না য়েংবা হৌজরে থৱায় য়াওবিবশিংনা খুদোংচাবা অসি লৌবীয়ু।

অয়ূক্কী লিক্লা অপোক্লোম্বা

Koirou Thongju Part-II

#+919191733333

SL/3968/20 Days

---

GAS TODAY

**R & H Indane Service**
Booking : 07/06/18
Valid : 29/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 03/07/18
Valid : 30/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 938/-

**K & K Indane**
Booking : 07/08/18
Sl. No. 300
Valid : 03/08/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 03/07/18
Sl. No. 224160
Valid : 30/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 25/06/18
Valid : 15/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 16/06/18
Valid : 11/06/18
Sl. No. 25623
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Imphal LPG**
Stk : 19 kg 180 / 5kg Available

**Heingang Indane**
Booking : 23/08/18
Valid : 14/08/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Heirok Indane**
Booking : 07/07/18
Valid : 17/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

সনা-সুদোকু -১২৯৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 6 | 3 | 9 | 5 | 8 | 4 | 1 |
| 1 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 5 | 9 | 7 |
| 9 | 8 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 2 | 6 |
| 3 | 9 | 2 | 5 | 4 | 1 | 6 | 7 | 8 |
| 5 | 4 | 8 | 6 | 7 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 7 | 9 | 3 | 8 | 4 | 5 | 2 |
| 4 | 5 | 1 | 7 | 8 | 3 | 2 | 6 | 9 |
| 8 | 2 | 9 | 1 | 6 | 4 | 7 | 3 | 5 |
| 7 | 6 | 3 | 2 | 5 | 9 | 1 | 8 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1295**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 7 | | | 3 | | 5 | |
| 1 | | | | | 7 | | | |
| | | 3 | | | | 4 | | |
| 2 | | | | 9 | | | | |
| 3 | 5 | | | | 2 | | | 1 |
| | 7 | | 8 | 4 | | | 3 | |
| | 4 | 9 | | | | | | |
| | 8 | | | | | | | 4 |
| | | 1 | | | 4 | | 2 | 7 |